ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ৩০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৫শুবা মশীং

# ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগী ইলেক্সন

## পাঙথোক্তুনা নমশিল্লক্লিবা ফিজংসিগী মরুমদা করি লৈরিনো?

লম অমা চাউখৎপা হায়বসি লমদুগী ময়োল লম সিটিদা ওইরক্লিবা ফীভমদুদা য়েংলগা লেপকদবা নত্তে। লমদুগী খুঙ্গংগী মফমশিং, মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মীয়ামগী য়ুম্লে-কৈরে, পুন্সি মহিং, মখোয়না ফংলিবা ফংফম থোকপা রাইট পুম্নমক ফংবা ফংদবগী থাক অদুনা লেপকদবনি। ৱাফমসি লৈবাকসিগী লাইগুল্লবা লুচিংবা কয়ানা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রমদুনা মসিগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎলম্বদগী হৌজিক্কী মীরোলগী চিন্দোল-লৈতোনদা ফাওবা পক্তুনা লৈরিবনি। মসিগী পরিংদা লাকপনা মণিপুরদসু হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা 'গো টু ভিলেজ', 'গো টু হিলস' হায়বগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎতুনা লাক্লিবনি। তশেংনমক ষ্টেটসিগী কনটেক্সতা য়েংলুরবসু শুপচিন্না চীং অমসুং তম থোং মান্ননা চাউখৎমিন্নরবা মতমদতা মণিপুর চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইরক্কদৌরিবনি। মসিগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি। চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎমিন্ননবা হোৎনরি। লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থৌরাংসি মীয়ামগীনি, থাগৎফম থোকই। থবকশিং অসিদা মায় পাকপা ওইরকউ হায়দুনা ফাওবা য়াইফ-পাউজেল পীফম থোকই। অফবা-অচুম্বা থবক তৌরক্লগদি থাগৎপগী হৈনবী লৈগদবনি। মসিনা তৌরিবশিং অদুদা থৌনা হাপকদৌরিবনি। অদুবু ফত্তবা, অরানবা, তৌহৈদবা তৌফম থোক্তবা থবকশিং তৌরক্লবদি মদুবু নমশিল্লগা অঙম্বনা তৌবনি হায়দুনা তুমীন্না লৈথোকপগী থৌওংদি অউনপোৎ য়াম্না পুরকপী মমৌনুপীনা শরেং থোংবদা মমাই থক্তুনা থুম থাক্কদবদা চিনি থাকচিল্লুরবসু হাওখ্রে, থুমখ্রে হায়দুনা চাই হায়বগী ফীভমদুদা তারক্কনি। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি ষ্টেটসিগী অর্বান লোকল বোদি (য়ু এল বি)শিং ওইরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল পুম্নমক্কী চহী ৫গী টর্মশিং মথং-মথং এক্সপ্যয়র ওইশিল্লক্তুনা লোইশিনখ্রে। লৈফম থোকপা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল মশা-মশাগী মতমশিং, লোইশিল্লকপগী হৌনবা লৈঙাক্কী মহুদ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু মসিগী লৈজরিবা মণিপুর ম্যুনিসিপাল এক্টকী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না হায়রিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসি দিজোল্ব তৌখ্রে। মসিসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তঙাইফদবা তৌফম থোকপা থবকনি, তৌসনু। অদুবু মশাগী টর্ম লোইশিন্নরক্তুনা দিজোল্ব তৌখ্রগদি থংনবা মীকুপ্তদি অনৌবা টর্ম অমগীদমক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিগী মীখল পাঙথোকফম থোক্তব্রা হায়বসিনি। হোয়, ৱাহংসিগী পাউখুমদদি হৌজিক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ ষ্টেটসিদসু য়ৌশিল্লক্তুনা মসিগী চৈথেং ফংবা হৌরক্লে। লাইচৎসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা 'সোসল দিষ্টেন্সিং' হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা পান্বেনি হায়বসু খঙনরে।

মীপুম খূদিংমক্লসু য়ানরে। অদুবু কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্নরক্লিঙৈগী চৈরকসিদা ষ্টেটসিদা মীয়াম পুনবগী থৌদৌ থোক্লিবা মীখল অমত্তা পাঙথোকখিদবদি নত্তে। ৱাঙ্গোই, ৱাংজিং তেন্থা, লিলোং অমদি সাইটুনচিংবগী বাই ইলেক্সনশিং পাঙথোকখি। মসি ওইরগদি এসেমব্লী সেগমেন্ট খরগী জিলা পরিষদ, নগর পঞ্চায়টশিংসু লোইনা কোনশিনবা নত্তবা অর্বান লোকল বোদিশিং অসিগী পাঙথোকফম থোকপা মীখল কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং চেকশিন্না ঙাকহল্লগা পাঙথোকফম থোক্তব্রা? ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসি দিজোল্ব তৌখ্রবনিনা মসিগী থবক থৌরমশিং পুমহাং হাঙদুনা থম্বমক্তি য়াদবনিনা মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংবু এদমিনিষ্ট্রেটরশিং ওইনা হাপ্তুনা থবক পুহল্লক্লি। মসিসু ফত্তবা খোঙথাংনি হায়বগী ৱা নত্তে। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংগী থবক পুম্নমক লৈঙাক্না তৌগদবনি, তৌফম থোকপনি, লৈঙাক্না মীয়ামগী মপুনি। অদুবু অর্বান লোকল মীয়ামগা হকথেংনগদৌরিবা বোদি অসি লিংবনা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিগী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং মীয়ামগী মফমদা য়ৌহন্নবগী থবক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিগী চ্যেরপর্সনশিং, ভাইস-চ্যেরপর্সনশিং অমদি কাউন্সীল্লরশিং শীজিন্নবগী কান্নবসু ফংগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগীদমক হাউজিং ফোর ওল অমদি পি এম জি এ ৱাইনচিংবা স্কিম কয়াগী পন্দুনা লৈরিবা থবকশিং মপুং ফানা লোইশিনহনবা ঙমগনি। স্কিমশিং অসিগী অনৌবা থবকশিংসু পায়খৎহনবা য়াগনি। অমরোমদা, মশাগী টর্ম লোইশিনখ্রবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিগা চপ মান্ননা টর্ম লোইশিনখ্রবা চীংগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী) শিংগীদি গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মীখলশিং অকক্লবা মতমগী মনুংদা পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। থৌরাংসিসু এ দি সীশিং অসিগী টর্ম লোইবগা শরক শিদনবা হেক্তা প্রপ প্রপ লৌখৎখিবা নত্তে। পাঙথোকফম থোক্লবা এ দি সীশিং অসিগী মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকখিবা, নেসনল হায়ৱেশিংদা টোটেল সটদাউনগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী লৌখৎলকখিবা থৌরাংনি। মসি ওইরগদি থায়নদগী হৌনা লৈঙাক খুৎপায়নরিবশিংদা হেক হেক নারকপা ইফ-ফজনা ইবুংঙো, ইবেম্মা হায়রিঙৈদা চৎতবা, খোন্থি-খোনচোপ শীজিন্নরকপদগী হেন্দোক্তুনা খুৎ য়াওরক্লকানদতা পামদবা নুপাদা ওংউ হায়রুবদা শাওরংনা থাংলকপা খোঙথাংগুম্না তৌরকপগী ফৎত্রবা লায়নাদু হৌজিক ফাওবা কোকত্রিবরা হায়বা ৱাহং লাকই। মরম অসিনা পাঙথোকফম থোক্লবা য়ু এল বিশিং অসিগী ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থবক পন্থদনা লৌখৎহন্নিংই। মীখলসি হৌজিক পাঙথোকহৌদ্রগদি ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতমসু খুৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবনি হায়বসি কাউহন্নিংদে।

| হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৬ |
| --- |
| ১) "ঐনে ময়াই কাবদি ৱাংলৈ য়ুবু হেলএ, থকফরোইএ, য়াইবি ঈংনা চেনফরোইএ - কোল্লোইচমনা থাহৈদে। নমু পোং ওইবা পুম্নমকপু থৱায় অমতনে নিংঙৈনে তাইবঙ মীবু ওইনা পোল্লবা ইখোইবু খাচংথৌনি ৱাৎপা লোনজা লনথোই তানফংদরবগী লাহান লাংওন মপোক অমরক্কী থৌরম মতৌশিংবু ৱারম মতৌ খঙলুদে; হন্দক লাংওন অসিগী ৱারম মতৌ খঙদে, থৌরম য়াংগোইরিবসু কদাইনো?" পরেং মতেক অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? |
| ২) হিজম অঙাংহল সিংহগী "খম্বা থোইবী শৈরেং" হায়বসি কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে? |
| ৩) খেবা চীংগী চীংথক্তা লৈরিবা খোংজোম ৱার মোন্যুমেন্টকী লৈরিবা দিজাইনসি করিনি হায়না লৌবগে? দিজাইনসিগী মতাংসি করি লাইরিক্তা থেংনবগে? |
| ৪) "হে তসলিমা:/নুংশিরবী/নহাক অমুক হন্না পোল্লক্তবা ওইয়ুকো/নঙগী নুংশিরবী বাংলাদেশতা/নৎত্রগসু কাউথোক্তুনা/ঐগী নুংশিজরবী মণিপুরসিদা।/মরমদি-/ঙসিদি ওইরক্লে লমদমসে/নহাক্কী লজ্জা।/অদুননি কপলিবা ঐখোয় তশেংনমক/নহাক্কীদমক কিরণময়ী ওইনা/থম্মোয় ফূকপা মখৈ থনুংদা।।" শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগীনি। কবি অসি কনানো, করি লাইরিক্তগীনো? |
| ৫) কনানা করম্বা চহীদা কদাইদা মৈতৈ লোলনা বাশোক শকপা হৌদোকখিবগে? |
| মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি। |

# অর্থ দে : তাইবঙ মীওইবনা মালেম ইমাবু নুংশিনা লায়েংফম থোকপনি

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

মালেমদা লৈরিবা মীয়াম অসি ৱাখল চপ মান্নদুনা পূনশিনবা মতম ওইরে। অদুগা থবক অমা তৌমিন্নদবা য়াদবগী মতম অদু লাক্লে। ৱাফমসি অর্থ দেগীনি। কুম খুদিংগী এপ্রিলগী চৈশিং ২০দা পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসি মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপনি। অরায়বা ৱা অমদি নৎত্রে হায়বসি মমিং অসিনা অদুমক তাকচরে। মীওইবা ঐখোয়না লৈরিবা মালেম অসিদা হোংলক্লিবা মওং কয়া অসি উরগা ৱাফম কয়া, থবক কয়া পায়খৎনবা ৱা খন্নবগী নুমিৎনি, মীফম অমনি। মীয়াম হুপ্না খঙনরে মালেম অসিদা শাথীনা অওনবা কয়া লৈরে। অফবসু য়াওই অদুগা ফত্তবসু অদুমক শাগোন্নদুনা লাকই। অফবা অওনবদুনা কান্নবা কয়া ফংহল্লবসু ফত্তবা কয়াদুনদি অৱাবা কয়া পীরি। অর্থ দে অসিদা ৱা খন্নরিবা অসিদি ফত্তবদুনা ওইহল্লকপা অমাঙবশিং অদুদগী কন্ননবনি।

হন্দক চহী অসিদা পাঙথোক্লিবা অর্থ দে অসিনা ৫১রকশুবনি। শাংলবা চহী অসিদা খন্ন নৈনদুনা লাক্লিবসি অতৈ ৱাফমগী নত্তে মতম অমদা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরম্বা য়াম্না নুংশিরবা মালেমগী ফীভম অদুগী থাক্তা হঞ্জিন্নবা হোৎনবনি। কুমজা ১৯৭০দা মহৌশাগী ফীভম কায়থরকপদা নুংনাংবা পোকচবা অখঙ-অহৈ কয়ানা এপ্রিল ২২দা মীফম অমা ফমখি। মদুদগী লেপ্তুনা কুম খুদিংগী অর্থ দে পাঙথোক্তুনা লাকপনি। মীয়ামদা অফ-ফত্তগী , মাঙজবা-তোংজবা কয়াগী পাউজেল পীবনি। মালেমগী লৈরিবা য়ামখ্রবা লৈবাক কয়াগী লৈঙাক্তা চুনবা থবক লৌখৎলগা মালেম ইমাগী ফীভম ফগৎনবা পূক্লিং চিংশিনবনি। থবক ওইনা পাঙথোকপদি লৈঙাকশিংগী মথৌনি। কুমজা ১৯৭০ অসিদা মহৌশাগী মরমদা মুন্না খঙবা মোদর্ন এনভাইরনমেন্টেল খোঙজং হৌরে হায়না মালেমগী মীয়াম্না লৌনরি। কুম খুদিংগী তোঙান তোঙানবা খন্ন-ৱারোল থমদুনা খন্ন-নৈনৈ। কুমশিং ২০২১গীসু 'রেষ্টোর অৱর অর্থ' হায়বা খন্ন-ৱারোল থম্মী। নীংশিংবা য়াবদি ঙসি ঐখোয়না লৈরিবা মালেম অসি থক্তা থোক্লিবা নুমিৎ অসিদগী চাউরাক্লা মাইল মিলিয়ন ৯৩ হায়বদি কিলোমিটর মিলিয়ন ১৫০ থাপ্না লৈ। সোলর সিষ্টমদা লৈরিবা প্লানেটশিংগী মনুংদা পাক চাউবদা মঙাশুবদা লৈরি। অদুগা নুমিৎতগী থাপ্না লৈবদনা অহুমশুবা প্লানেট অমনি। অর্থ দে পাঙথোকপগী মরম অমা হায়রবদি কয়া য়াম্না মরু ওইবগে হায়বসিদা মীৎয়েং থম্বা য়াই। মালেমগী অঙ্গৈং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎকী খল য়াম্না চাউনা কায়রে হায়বসিদা মীয়াম্না লোইনা খঙনরে। করি মরমদগী অসুক য়াম্না মালেমগী খল অসি অহোংবা লাক্লিবনো হায়বা ৱাফম অসিনি মীয়ামদা পাউজেল পীদুনা খঙহল্লিবসি। কুমজা ১৯৭০গী অদুৱাইদা খোঙজং হৌরকপা মতমদদি ইন্দষ্ট্রি মশীং খঙদনা লিংখৎলকপসিনা মালেমগী খল কয়াদা ফত্তবা মওংদা অহোংবা পুরকই। মদুদগী থোক্লকপা ফত্তবা হু চেনবা মহী-মনাই, মৈখু, কেমিকেল য়াওবা পোৎ কয়াগী অরেমখাকশিংনা মালেমগী খলদা অকায়বা কয়া পীবা হৌরক্লিবনি।

লমদম অসিদসু লৌবুক লমহাং কয়াদা চেক্কোন, নূং চপখায়বা য়াওনা ইন্দষ্ট্রি কয়া শাজিল্লক্তুনা ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিনবা, ঈরম খোংলম কয়া ফুনজিনবা, হু চেনবা মহি-মনাই কয়া চেন্থোকহল্লকপা উবা ফংনরে। মদুনা কনাগুম্বা মীওই খরদদি কান্নবা ফংহল্লন্বা য়াই হায়ববু মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা মী, শা-ঙা, পাম্বী কয়াদদি হিংবদা ৱানবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লক্লি। উ-ৱা কয়া য়ান্থৎতুনা উমং কোকথোকপা অসিদগীদি থৱায় পানবা পোৎশকশিংনা হিংবদা ৱারকই। ঈশিং ফংবগী চাং নেমথরকই। শাবগী চাং হেনগৎলকই। শারবা মতমদদি থৱায় পানবশিংনা ঈশিং খৌরাংবগী চাং হেনগৎলকই। অদুবু তাইবঙ মীওইবনদি ঈশিং হায়বসি য়াম্না লায়না অদুমক ফংদুনা লৈগনি হায়দুনা খল্লগা লৈ। কুমগী নোং কুম খুদিংগী লেপ্তুনা তারক্কনি। নোংগী ঈশিংনা পৈদুনা পুখ্রি, খোংবাল, পাৎ, তুরেল পাথোক্তুনা চেনখিনি। নোংদি তারক্কনি ঈশিং তুংদুনা লৈগদবা পুখ্রি, পাৎ কয়া মীওইবনা ফুনজিল্লে, ঈশিং তুংহৌদ্রে। তুরেল খোংনুংদা থিংজিন্দুনা য়ূম-কৈ কয়া শাজিল্লি। নোং তারবসু ঈশিং শীজিন্নবদি ফংহৌদে। নোং তারিঙৈ মনুংদুদনি ঈশিং মরাং কায়না ফংবনি ঙসি তৌরিবসি। উ-ৱা হৌদ্রবনিনা ঈশিং চূপশিন্দুনা/ফাজিন্দুনা লৈহৌদ্রে। নোংসু কুম খুদিংগী চুগনি হায়বা য়াদ্রে। নোং য়াম্না ৱানা তাবা কুম য়াম্না য়াওশিল্লক্লে। মৈখুনা নুংশিৎ মোৎহনবদগী থৱায় পানবশিংদা শ্বর হোনবা ৱাবগী লায়না কয়া লৈরে।

তাইবঙ মীওইবনা তৌগদবসি উমং শেমগৎপা, লৌউ-শিংউগী থবক ফজনা তৌদুনা চানবা পোৎথোক পুথোকপা, প্লাষ্টিক্লা শাবা পোৎ-চৈ কয়া মফম চানা লোইশিনবা, মৈখু থাদোকপগী থবক য়ারিবমখৈ তৌদবা অমদি মীয়ামদা মহৌশাগী খল হায়বসিগী মরমদা মুন্না খঙহন্নবা হোৎনবা হায়বসিনি। মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবা পোৎশকশিংনা হিংবা ঙম্লিবসি ঐখোয়না হৈজ-শিংজবদগী ঙম্বনি হায়বসি খল্লোইদবনি। মালেম ইমানা পীবিরম্লিবা মখল কয়াগী পোৎশক কয়া অসিগী মতেংনা হিংবা ঙম্লিবনি। অতৈ প্লানেটশিংদা থৱায় পানবা পোৎশকশিং হিংবা ঙম্লিবরা লাইরিক য়াম্না হৈরে হায়রগসু। মালেম ইমাগী খল কায়রবা হায়বসি মালেম ইমাসি লায়না কয়ানা নারে হায়বনি। অদু ওইরবদি ইমাবু লায়েংবা তাই। মদু তাংজফম লৌদুনা হিংলিবা মীওইবা ঐখোয়না দাক্তরগী শক্তম, মচা-মশু ওইবগী শক্তম লৌদুনা মীনুংশিগা লোয়ননা হোৎনবা মথৌ তাই। কনা লাক্লগদি লায়েংগনি? মাগী কনা লৈরি হন্না য়েংবদা মালেম অসিদা। ঐখোয় ইশা নাবদদি লায়েংনবা কোয়চেন চেল্লি। শা-ষণ নাবদসু লায়েংবীরি। ঐখোয়না তোংলিবা কার ফাওবা য়ারক্তবা মতমদা শেল, মতম চংনা শেন্নি শীজিন্নবা য়ানবা। অদুবু ঐখোয়না শীজিন্নরিবা পোৎশক খুদিংমক্তি মালেম ইমা অসিদগী পুথোরকপা পোৎ ঙাক্তনি।

অখঙ অহৈ কয়াগী মতুংইন্না মালেমগী লৈমায়দা অহিংবা পোৎশকশিংনা লৈবা ঙমগদৌরিবসি চহী মিলিয়ন ৩.৫নি হায়না পানরি। মসিগী মতুংদদি থৱায় পানবশিং মুৎখিবা য়াই হায়রি। মসি মরম কয়াদগীনি। ●

# কোরোনাগী লাল্লকসিদা টৌটি ঈশিংসিনা কমদৌবা?

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

পল্লুবা খক্তদা মিপাইবা পোল্লবা, চিন্দা হন্না পন্নীংদ্রবা, নীংশিংবদা অকি-তুজুংবনা পীক থল্লবা, তমথীরবা কোরোনা লায়নাগী অকনবা লাল্লকসিদা, মহৌশানা ঈকং-থা খুদিংমক্কী হৈনবী অমা ওইনা চথরক্লবা, মণিপুর লৈঙাক্কী টৌটি ঈশিং ফংদবগী থৌদৌ, কুমসিসু চপ মান্ননা অদুম্মক চথরি। কোরোনাগী মতমসিদনা খিৎ হেন্না ইমুং-মনুংদা ঈশিং শীজিন্নবগী চাংদি হেঙ্গৎলক্লি। ৱাশরুমদা ঈশিং শীজিন্নবগী চাং, শেৎলু-চারুবা ফি-রোলশিং অমদি মাস্কশিং তোয়না শুদোক-চামথোকপদা চঙলিবা ঈশিংগী চাং, হান্না চঙলম্বা চাংদগী শরুক কয়ামরুম হেন্না চঙলক্লি। ফীভমসিদা, টৌটি ঈশিংদি লায়রদুনা হান্না পাউ ফাওনরগা য়ূম-য়ূমদা থিল্লক্লম্বা লন্নাইগী কাঙবুশিংসু, হৌজিক ঈকং-থা ওইরকপসিদা ঈশিং ফংনদ্রে হায়দুনা অয়াম্বনা পুবিরকউ য়ারকখিদ্রে। কোরোনা লাইচৎকীদমক লাংতক্লরিঙ মণিপুর লৈঙাক্তদি টৌটি ঈশিংগী ৱাফম হৌজিক-হোরেন খক নাদা হাপ্নীংবা পোকখিরোই। ফীভমসিদা তশেংনা লাইবক থীগদৌরিসি মণিপুরগী মীচম-মীয়াম ওইরুবা ঐখোয়খক্তনি। বৃটিশনা নরন্নাই লৈঙাকচদুনা পাঞ্জহৌরো হায়দুনা থাদোকপীরম্বা নুমিৎতুদগী পারগা, ঙসি ফাওবসিদা চাউরাক্লা চহী হুম্ফুতরামাথোইরোমসি মণিপুর লৈঙাক লীংলক্লবসু, ঙসি ফাওবগী মনুংদা মণিপুরগী ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অনীখকসি ফাওবদা য়ূমথোঙ থুংনা টৌটি ঈশিং পীথকপা ঙম্লকত্রি। ফংলিবা খরসিগী মনুংদসু থক্লু-চারুবদা চুম্না হঙ্গোইনীংঙাই ওইবদা নত্তনা, শাথীরবা লায়না-তীলনা কয়ামরুম্না নারকপা য়াবগী ফীভমশিংদা লৈবা ঈশিং কয়ামরুম য়াওনরি। লায়না মখল-মখা কয়ামরুম পোল্লকপা য়ারিবা ঈশিং মখলবু টৌটি ঈশিং ওইনা লৌনফম থোক্লিবরা? মতমসিদা, টৌটি পাইপতগীবু তারক্লবদি খুদিংমক টৌটি ঈশিংনি হায়না লৌনবসি চুম্লোই।

শাথীরবা কোরোনা লায়না-লাইচৎসিগীদমক খম থেংনা মিপাইনরিঙৈ চৈরকসিদা, লৈঙাক্কী ৱাটর সপ্লাইদগী সপ্লাই তৌরক্লিবা পাইপ ৱাটর (টৌটি ঈশিং) অমদি লন্নাই থক্ল-চানবা ঈশিং য়োনবশিংগী মতাংদা হায়জনীংবা কয়ামুক লৈ। ৱাফমসিমক তশেংনা মতমসিদা, খ্বাইদগী হেন্না লুবা ৱাফমশিংগী মরক্তা অমনি। মতম চূপ্পদা মণিপুর লৈঙাক্লা পীবিরিবা পাইপ লাইনশিংসি, অয়াম্বনা লৈনুংদা পাইপ অমগা-অমগগী শম্নফমদা অমদি হান্না কনাগুম্বনা হুৎলম্লগা শীজিন্নদবদগী মেনশিনখিবা মখুলশিংদা ঈশিং য়ুবগী থৌদৌশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। থৌদৌসি থোকপগী চাং, হৌজিক্তা চহী খরগী মমাঙগীগা য়েংনরুবদা, চহী খরগী মমাঙগীনা অসুক্কী মতিক্তি হেল্লম্বা য়াই। অদুবু, হৌজিকসু মফম খরদদি থৌদৌসি তত্তনা থোক্লি। খ্বাইদগী লুরিবসি, অসিগুম্বা মীয়াম্না থক্ল-চানবগীদমক টৌটি ঈশিং পুরক্লিবা পাইপশিংদা লিক ওইহনবসিনি। ফীভমসিদা, ৱাটর সপ্লাইগী মীওইশিংনা ঈশিং থারকপা মতমদা অহোবা মফমশিংদুদগী য়ুরকপা ঈশিংনা, মনাক্তা লৈবা দ্রেনশিংদা পাথোকহল্লি। অদুগা, ঈশিং থাবা লোইখ্রবা মতুংদনা টৌটি পাইপকী অহোবা মফমশিংদুদা অমুক্তা হন্না হান্নগী দ্রেন্দা লরম্বা অপূম্বা টৌইলেটকী ঈশিংশিংদুগা লোয়ননা পাইপ মনুংদা চঙশিনখি। অসুম্না চঙশিনখ্রিবা অমোৎপা, অপুম্বা অমদি মখল কয়াগী ভাইরসশিং য়াওরবা ঈশিংদু মথংগী টৌটি থারকপদা পাইপ লাইন্দুগী কঞ্জ্যুমরশিংনা লৌনরিবা পাইপশিংদুদগী তারকপা টৌটিগী অফবা ঈশিং ওইনা মীয়াম্না হরাউনা য়ানখি। ফীভমসিদা, টৌটিগী পাইপ লাইন্দা অয়ুবা মফম লৈবসিনা, পাইপ লাইন্দুদগী টৌটি ঈশিং চারিবা মীওইশিংদা দ্রেনগী অপুম্বা অমদি মোৎপনা খম থেংলবা মহীক-মতাইশিং য়াওরবা ঈশিংদু য়েন্নদুনা চাহল্লি। ফীভমসিদা টৌটি ঈশিংনি হায়দুনা থক্লু-চারুবদগী মশীং খঙদ্রবা মীয়াম্বু মখল-মথেলগী লায়নাশিংনা তত্তনা নাহল্লি। অসিগুম্বা থৌদৌসি হেক থোক্লে তাবগা লৈঙাক্কী ৱাটর সপ্লাইগী মীওইশিংনসু খুদক্তা থৌদৌসিদগী কন্নবা হোৎনবীদে। লৈঙাক্কী ৱাটর সপ্লাই দিপার্টমেন্টকী থৌমীশিংসু মণিপুর লৈঙাক্কী চপ-চাবা থৌমীশিং ওইবনা, থৌ-ৱা খক শাগন্দে। হৌজিক্কী মতমসিগী অয়াম্বা ষ্টাফশিংনা তন্নবদগী নৎত্রগা দিপার্টমেন্টকী খুদোংচাদবশিং লৈবদগী, অসিগুম্বা থৌদৌশিংসি খঙলবসু খঙনা, হেক হেক খঙশিন্নগন্দে অমসুং থৌদৌসিগী ৱাকৎ তারবসু খুদক্তা হেক্তা এক্সন লৌখৎপগী থবক খক তৌগন্দে। অতৈ-অতৈ থৌদৌশিংদা থৌ-ৱা শাদ্রবসু মণিপুরগী টৌটি পাইপকী অসিগুম্বা থৌদৌশিংসিদদি, হেক খঙবা-তাবগা খুদক্তা এক্সন লৌখৎপীফম থোকই। হীরমসিদা ৱাটর সপ্লাইগী মীওইশিংদা নত্তনা, পাইপতুদগী ঈশিং চারিবা কঞ্জ্যুমরশিংদুসু মরাল লৈ হায়না লৌফম থোকই। হৌজিক্কী মতমদা কোরোনাভাইরস লায়নাগী মহীক, কোভিদ-১৯ হায়বসি ঐখোয়না সাপোন শীজিন্নদুনা খূৎ-শা হামদোকপা, মাস্কনচিংবা ফিজু-ফিজাম্বদা বাথ-রুম অমদি টৌইলেটকী ঈশিংদা খ্বাইদগী হেন্না য়াওফম থোকপা মহীক মখল অমনি। ৱাফমসিসু ঐখোয় খক কাউফম থোক্তে। সিদা নত্তনা, লন্নাইগী গাড়ীশিংদা টেঙ্কিশিং নৎত্রগা সিন্টেক্সনচিংবা অতৈ ঈশিং হাপ্নবা পাত্রশিংদা পুরক্তুনা য়োল্লরিবা ঈশিংগী খোঙ্গুলসিসু হৌজিক্কালদি ঐখোয় খরা লীনবা চুম্লনি। লৈবাক্কী ওইনা থক্ল-চানবা ঈশিং ফাওবা ফংলকত্রবা মতমসিদা লন্নাই ওইনা ঈশিং য়োন্নরিবশিংসি করম্বা কনাগী পুখ্রি তুরেলশিংদগীনো? মসিসু য়েংশিনহৌদবা চুম্লোই।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফম অয়াম্বদা হৌজিক, কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেভ ওইরিবা অনৌবা লাইচৎসিনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীবদগী অঙকপা ফংনা মিপাইনবা পোক্লরি। মফম খুদিং লায়নাসিনা নোংম-নোংমগী খুদুম চনশিল্লকপগী থৌদৌশিং হায়নীংঙাই লৈতনা হেঙ্গৎলক্লি। ইন্দিয়াগী মনুং চল্লুবনা মণিপুরদসু চুম্না মিপাইবা পোক্লবদা নত্তনা লায়না মখলসি থুংলরবগী অকিবা চাউনা ফাওনরক্লি। অদুম ওইনমক, ফনা অকিবা ফাওনদুনসু ইরমদমসিগী মীয়ামসিদি, চেকশিন্নবগী থৌদৌশিংদি ইৱাৎতা-ৱাৎলি। হৌজিক হৌজিক থোক্লক্লিবা সেকেন্দ ৱেবকী কোরেনানি হায়নরিবা লাইচৎসিনা অমুক্কসু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলবা কোভিদ মহীকশিংনা শন্দোক্লকপা ওইবনা, হীরম খুদিংমক্তা হান্নগী কোভিদ-১৯না শন্দোক্লম্বা লায়নাদুদগী হেন্না শাথীবা হেল্লক্লি। ফীভমসিদা ঐখোয়না থক্কদবা অমদি থোং-থাকপদা শীজিন্নগদবা ঈশিং, কোভিদ মহীক চামথোকখিনবগীদমক খূৎশা হাম্বদা, মায়-মিৎ তাথোকপদা, ইরুজবা অমদি ফিশু-ফিজাম্বনচিংবা হীরম কয়ামুক্তা শীজিন্নগদবা ঈশিং মখলশিংদা হান্নগা মহীক-মতাইশিং য়াওরবা ঈশিং ওইরম্লবদি ঐখোয় করি ওইফম থোকই? কান্নবগী মহুত্তা, ঈশিংদুদগী পল্লকপা মহীক মখলশিংদুনা ঐখোয়বু নাদনবা ঙাকথোকপীবগী মহুত্তা শোয়দনদুম নাহল্লক্কনি। হৌজিক ইরমদমসিদা ঈশিং তাঙশিল্লকপগী তাঞ্জাসিগা, কোরোনানা অনৌবা শক্লোন হোংদুনা মপাঙ্গল কনবা হেঙ্গৎলকপগী ফীভমসিগা মপা চানখৎলকপসিনা, ইরমদমসিগী ইরৈচা ঐখোয় পূম্নমক্তা, তশেংনা খুদোংথীবগী মথক্তা হেন্না খুদোং থীবা হাপচিল্লকপা য়াই। ঐখোয় য়ারিবমখৈ চেকশিনহৌসি।

কোরোনাগী ৱাখলবুনা হান্না খনগদৌরিব্রা নৎত্রগা ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রশিংগী ৱাখলনা হান্না মাঙজিন থাগদৌরিব্রা, খনবদা মল্লক্লি। ইরমদমসিগী মীয়ামসি চৎলি চৎঙমদ্রে, ফম্মী ফমঙমদ্রে। ফীভমসি খরদংদা ওইরসু কোক্লবা করি ফিরেপনো ঐখোয়না হৌজিক্তা লৌগদৌরিসি? লোকদাউন লাকত্রিঙৈদা খজিক্তুং য়াঙশিন্না শুজিন-নোমশিনহৌগনি হায়বসু লৈহৌদ্রে। হৌজিক্তি লৈবাকসিগী মফম খুদিংমক্তা লোইনা লোকদাউন লাউথোকপগা চপ মান্নরে। শুপ্নগী লাউথোক্তে হায়বা খক্তমক ঙাইরে, মীয়াম পূম্নমক য়ূমদগী মপান থোকপা ঙম্নদ্রে। ফীভমসিদা শূ-নোম্বা চখোক্কদবসি মতৌ করম্নো? তশেংনা কোরোনা লাইচৎসিগীদমক খনবদা ইমুংদগী খোঙ থাংদোকপা কিনরে। ফীভমসি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হাপকৎলকপনি। লৈঙাক্না শীল্লকপা, য়েংবা তাবনি। তাঞ্জাসিদদি ঐখোয় পূম্নমক, লৈঙাকসিগী লৈঙাকলোনগী মখা পোনবনি। ●